# কম্মর্স ষ্ট্রিমদা ৫ শুবা তারকখিবী পূর্ণিমা ঃ ইমাগী চা হোটেলদা মতেং পাংলকখি, লৈতবনা ট্যুসন অমত্তা তৌরকখিদে

*থৌবাল, মে ১১ঃ* য়ুমগী লৈত–লাইরনা মরম ওইরগা ইমাগী চা হোটেলদা য়াওশিন্দুনা ইমুংগী মতেং পাংলকখি, লৈত–লাইরবা ইমুংদা পোল্লুবনা ট্যুসন অমত্তা চৎলকখিদে, তৌরকখিদে। ওঝাশিংনা স্কুলদা তাকপিরকখিবশিং অদুতবু খঙনবা হোৎনদুনা লাকখি হায়না কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোহসেম)না লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজাম ২০১৯ গী কর্ম্মস ষ্ট্রিমদা ৫ শুবা পোজিসন ফংখিবী টি জি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় পূর্ণিমা মোইরাংথেম্না ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাঙবোক মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা মোইরাংথেম সুরচান্দ অমসুং জমুনা দেবীগী মচানুপী অহল পূর্ণিমা মোইরাংথেমনা ফোঙদোরকখিবদি মহাক্কী মনাওনুপী অমগা মৌপ্পানুপা অমগা লৈরি। লাইবক থিবদি অপোকপা সুরচান্দদি মহাক্কা ক্লাস টু তম্লকপা মতমদা লাইবক থিবা থৌদোক অমদগী লৈখিদ্রে। মপা লৈখিদ্রবা তুংদা ঙসি ফাওবা মমানা মচাশিংগী অৱা অনা থিদনা মী ওইনবা হোৎনরকখি। মচাশিংতবু ফরবদি খন্দুনা ইম্ফালদা চৎলগা হোটেলগী থবক য়াওরকখি অমদি ইমৱোইদরিনচিংবা য়াওরবা মতুং হৌজিক্সু লৈকাইদা লৈবা মীগী লম মচেৎ অমদা হোটেল মচা অমা শাদুনা চা বোরা য়োল্লগা মচাশিং শেন্নবা হোৎনরি।



পূর্ণিমা মোইরাংথেম্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদি কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজাম হায়দোকপদা কম্মর্স ষ্ট্রিমদা ৫ শুবা পোজিসন তারক্লে হায়না টি জি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওঝা অমনা টেলিফোন্দা হায়রকপদা হরাউবগা লোয়ননা হোৎনজরকপগী মায় পাক্লে হায়না খঞ্জখি। ক্লাস টু ফাওবা মহাক গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা মহৈ তম্লকখি। থ্রিদগী ফাইভ ফাওবনা প্রাইভেট স্কুল অমদা তম্লকখি। অদুমকপু অপোকপা লৈখিদবনা মরম ওইদুনা প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তম্বা ঙমদবদগী খাঙবোক হায়স্কুলদা তম্লবা হোৎনখি। খাঙবোক্তা লৈবা ন্যু পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মতমদুগী ওঝা অজিৎকুমারনা কন্না হোৎনবিদুনা স্কুল অসিগী ওঝাশিংনা ফ্রিদা মহৈ তমহনবিখি। ক্লাস সভেনদগী টেন ফাওবদি ন্যু পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী রেঙ্ক ৱানদা লাক্তুনা অদুমক ফ্রিদা তম্লকখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

হোৎনবদা ঙমদবা লৈতে অদুনা ইশানা ইশাবু থাজবা অমদি খাঙবা কনবগা লোয়ননা হোৎনরবদি পুন্সিদা মায় পাকপা অমা ওইবা ঙমগনি হায়না হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা পাউজেল পীরদুনা কনাগুম্বা অমনা মায় পাক্লবা মতম খক্তদা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লৈঙাক্লা পূক্লিং থৌগৎপিবগী মহুত্তা মীওই অদুনা মায় পাক্লবা হোৎনজরিবা লম্বী অদুদা হেন্না পূক্লিং থৌগৎহন্নিংবগী অপাম্বসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পূর্ণিমানা ঐখোয়গী পাউমীদা হায়, ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবা তম্লকপা অসিদা ট্যুসন অমত্তা তৌরক্ত্রি। নোংমগী পুং অসুক লাইরিক পায় হায়বসু লৈতে। ওঝাশিংনা তাক্লকপশিং খঙনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু এগজাম ময়া নকশিল্লকপা স্কুল কাদবা মতমদদি নোংমদা পুং ৮ দগী ১০ ফাওবদি লাইরিক পাখি। হৌজিকসু মহাক্না মপান্দা চৎতুনা মহৈ তম্নিংই হায়ববু লৈত–লাইরবনা মরম ওইদুনা দি এম কলেজদা তম্লগা চার্টর একাউন্টেন্ট ওইবা পাম্মী হায়খি।

পূর্ণিমাগী অপোকপী জমুনানা ফোঙদোরকখিবদি থোঙ্গালদা শিংজু রোরা য়োন্দুনা নোংমগী লুপা ৩০–৩০ তুংশিল্লগা মচাগী রুম ভারা হুল্লকখি। য়াম্না ৱানা মহৈ তম্লকখিবনি। ঙসিদি মচানুপীনা মকোক থোংবা মীশক অমা ওইরকপদা থৱায় ৱাজদুনা কপ্পতনা মশরুক ওইবগা লোয়ননা লৈত–লাইরবনা মরম ওইদুনা মচাবু মখা তানা মহৈ–মশিন তমহনবা ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী মীপাইবা অদুদি অদুমক লৈহৌরি।

# থিনুঙ্গৈদা ময়াই কাবা নিষাগী মায়োক্তা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুংচন্না থিনুঙ্গৈ অপূনবা মৈরা পায়বী নুপী লূপ অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি খূৎশম্নদুনা ঙরাং ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা মৈরা খোঙচৎ থিনুঙ্গৈ এরিয়াদা চৎখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা ফোঙদোরকখিবদি মৈরা খোঙচৎ অদু থিনুঙ্গৈ কৈথেলদগী হৌরগা লৈকাই ৪গী অকোয়বদা চৎলুরবা মতুংদা অমুক থিনুঙ্গৈ কৈথেলদা লোইশিনখি। নিষা মরু ফংনা মুথৎলসি, তুংগী মীরোল কলহৌরসি অমসুং নিষা য়োনবা তোক্লসি হায়বা খোল্লাও কয়াসু খোঙচৎ অদুদা লাউখি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না দ্রগকী অচৌবা চৈথেং মায়োক্লরিবা অসি মপূং ফানা থিংনবা লৈঙাক্লা পূকচেল শেংনা হোৎনবা মথৌ তাই। দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিং মতম চানা ৱায়েল চথদুনা মরালগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক পীগদবনি। য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া থিংনবা লৈজরিবা আইনশিং মতমগা চুনবা মওংদা শেমদোক্তুনা মপূং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। ষ্টেট অসিগী মপূং ফাবা দ্রগকী পোলিসি শেমদুনা নিষাগী ইপাক্তগী কন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি খুন্নাই অসিগী কাঞ্জুল মুৎখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

ষ্টেট অসিগী মফম খূদিংমক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী চৈনা চৈথেং ফংদবা লৈরক্লে। হেন্না মিপাইনিঙাই ওইরিবদি তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহারোল কয়া তোঙান তোঙানবা মখলগী দ্রগতা লাইচুরকপগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা কাদানা চথরকপা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লমশাংদা লৈবা প্রজা হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। প্রজা হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ইরেংবম বিরেন, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোগ্রাম অদুদা সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

গিতচন্দ্র মঙাংনা হায়, মতম অমদা ময়োল লমদা লৈবা মীওই খরনা মখল কয়াগী দ্রগ শীজিন্নৈ হায়রম্বা অদু ঙসিদি খুঙ্গংগী মফমশিংদা লৈবা নহারোল কয়াসু চপ মান্ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া শীজিন্নরক্লি। মখল অমা নৎত্রগা অমগী নিষা শীজিন্নদবা মীওইবুনা চাউখৎতবা, মতমগী চৎনবী খঙদবা ওইনা লৌনরক্লি। মরু ওইনা মহৈ তম্লিবা খুন্নাই অসিগী নহারোলশিংনা মখোয়গা লোয়ন–তিন্নরুবা মমান্নবশিংগী পের প্রেসরদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরমদবা, লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওজবা মহৈরোয় কয়া দ্রগতা লাইচুদুনা পুন্সিগী ফংগে খনবা পান্দম ফংবা ঙমদনা লমখাংদা মাঙদুনা শিবা ঙাইনা পুন্সি লেনবা কয়া য়াওদবা নত্তে হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দোরেন্না হায়, মমা মপানা থাজবা থল্লিবা কয়া মাঙহন্দনবা অমদি পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমত্তা চাংয়েং তৌগে হায়বগী ৱাখল চেল্লোইদবনি। চাংয়েং তৌরুবদগী এদিক্ত ওইরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা ওর্গানশিংদা পীবা অমাঙবা কয়াগী মতাংদা স্লাইদ কাপ্তুনা মহৈরোয়শিংদা খঙহনখি অমসুং নৈনখি হায়রি।

# পেরেন্ট মিট অমদি পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

*য়াইরিপোক, মে ১১ঃ* য়াইরিপোক য়ুনিভর্সিয়েল কলেজগী পেরেন্ট মিট কম ফেলিসিটেসন থৌরম ঙসি কলেজ অসিগী লাইব্রেরী হোলদা পাঙথোক্তুনা থোইদোক হেন্দোক্না মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে।



ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাংখেম জি পিগী প্রধান ফজল খান, য়াইরিপোক য়ুনিভর্সিয়েল কলেজ মেনেজমেন্ট কমিটিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কে সনাথোইবা শর্ম্মা, এদমিনেষ্ট্রেটর এল বিজোয়কুমার, প্রিন্সিপাল ডা. কেঐচ বুধচন্দ্র অমদি খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. টি কুঞ্জেশ্বরনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পেরেন্ট মিটিং অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা মহৈরোয়শিংগী তুংগী কেরিয়রগীদমক ওঝা অমদি গার্জিয়ানশিংগা অফবা মরী থম্বগী তঙাইফদবা অমসুং চাং নাইনা ঈ–পাউ ফাওনবগী মরুওইবা কয়া ফোঙদোকখি। তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইনবগীদমক মহৈরোয়শিংনা মতমগী মমল খঙনা শীজিন্নবগী হৈনবী থম্বা অমদি লাইরিক পাবা ওইরবসু থবক অমা তৌবদা মচা খাইনা মমুৎ তানা ময়েক শেংনা তরু তান্না তৌনবা হোনগদবনি হায়বা ৱাফম কয়াসু থমখি।

কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোহসেম)না লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজাম ২০১৯ গী সাইন্স ষ্ট্রিমদা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সিয়েল কলেজগী মহৈরোয় ৪৮ শরুক য়াবদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা ১৬, সেকেন্দ দিভিজনদা ৩০, অদুগা থার্দ দিভিজনদা ২ মায় পাক্তুনা পাস তৌবগী চাং চাদ ১০০ ওইখি হায়রি।

কলেজ অসিগী ওইনা কামু মরিং ভিল্লেজদগী তংৱাচিং সুনিবালানা অপূনবা মার্ক ৩৭২ ফংখি। মহাক্না চাদ ৭৪.৪ ফংদুনা কলেজ অসিগী অহানবা অদুগা ৱাংখেমদগী সহেনা বেগমনা মার্ক ৩৫৩ ফংদুনা চাদ ৭০.৬ ওইখি অমসুং মহাক্না অনীশুবা অদুগা য়াইরিপোক হুইদ্রোম লৈকাইদগী ওক্রম রোসিবালানা পূন্না মার্ক ৩৫০ ফংদুনা চাদ ৭০ য়ৌখি অমসুং কলেজ অসিগী ওইনা অহুমশুবা তাখি হায়রি।

মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংদা অচম্বা খুদোল তমদুনা হরাউনা ওকপগা লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎখি।

# হো চি মিন শৈথাদুনা ইবা শৈরেং শৈদিন্নগনি

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* সি পি আই কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সিলগী হো চি মিন বার্থ দে সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা মালেমগী শুরি নোল্লিবা মীয়ামগী য়াইফবা পুরক্লবা রিভোলুসনরি লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা ভেটনাম রিভোলুসনগী লুচিংবা হো চি মিনগী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কামোং লাঙ্গোলজম ফার্মিং হোলদা হো চি মিন শৈথাদুনা ইবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম থা অসিগী ১৯ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা পাঙথোক্লগনি।

চেরোল অমদা, মণিপুরগী অইবা অইবীশিংনা হো চি মিনদা য়ুন্ফম ওইবা শৈরেং ইবিরক্লবা অমদি শৈদিন্নবা অসিদা য়াওবিনবা আপিল তৌরি। অকূপ্পা মরোল টেলিফোন নম্বর ৯৮৫৬১ ৮২৫২০ নৎত্রগা প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসি–য়েসনগী ওফিস ৱূপমহল টেঙ্কতগী খঙবা য়াগনি অমসুং অইবা শৈরেং পীশিনবসু য়াগনি হায়রি।

# এন আই আর এফনা এসেস তৌরিবা রেঙ্কিং ২০০গী মনুং চনবা ঙমদবসি ৱাহং ওইরি ঃ কে এস এ

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* নেস্নেল ইন্সটিট্যুস্নেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক (এন আই আর এফ)না এসেস তৌবদা মণিপুরগী কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটি অমত্তা লৈবাক অসিগী রেঙ্কিং ২০০ গী মনুং চল্লক্তবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি লোয়ননা একাদেমিক ওইনা থবক তৌরিব্রা তৌদ্রিব্রা হায়বসি ৱাহং অমা ওইরে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চিতন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল মণিপুরগী মখাদা লৈরিবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলশিং ষ্টেন্দর্দলাইজ তৌগদবনি হায়না লৈঙাক্তা মেমোরেন্দমচিংবা পীশিন্দুনা তকশিল্লবসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোকপা লৈত্রি। স্কুল ষ্টেন্দর–লাইজেসন তৌবনা একাদেমিক ওইবা এনভাইরোনমেন্ট পুরকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী ৱেলফেয়ার প্রোগ্রাম কয়া জেনরেট তৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

হৌজিক লৈরিবা স্কুল অমসুং কলেজশিং অসি কম্মন একাদেমিক এক্টিভিটিজ অমসুং কম্মন হোলিদে লৈতবনা নোংমা নোংমগী ক্বালিটি হন্থরকপনা এদুকেসন সিষ্টেম অসি মঙম শান্দবগী মরম ওইরি। খুন্নাই অসিদা ফিদবেক লৈতবা এদুকেসন ওইরব্রা হায়বসি মীয়াম মাঙদা থল্লদুনা এদুকেসনগী মওং অসি শেমদোকমিন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, বোসেম অমসুং কোহসেমনা লৌরিবা এগজাম সিষ্টেম অসিদা সেন্টর পীবগী থৌওং অসি মীয়ামদা চমম্নহনবা অমসুং চিংনহল্লিবা অসি হেন্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনবা লোট্টরি সিষ্টেম তৌগদবনি হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লি। মথং চহীদগীদি লোট্টরি এগজাম সেন্টর ওইগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি।

হৌজিক সাইন্স লেবোরেটরি অমদি প্রাক্টিকেল অসি ষ্টেন্দর্দ য়াওদবগা লোয়ননা করিক্যুলমগী গ্রাসরুট লেভেলদগী য়ুনিভর্সিটি লেভেল ফাওবা শম্নহনগদবনি অমসুং মোর্দনাইজ, ভিজন অমসুং ওবজেক্টিভ লৈবা করিক্যুলম অমা ষ্টেটকী ওইবা রিছোর্স ময়াম থাদরগা অথুবা মতমদা শেমগদবনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি। হায়রিবশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ট্রেনিংগী এসেসমেন্ট লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* হেন্দ ইমব্রোইদরি (খূৎনা লোনবা)গী মতাংদা থা ২ চথরকখিবা স্কিল এন্দ ইন্টরপ্রেনিয়রসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ট্রেনিং অমদি এসেসমেন্ট লোইশিনখ্রে।

নেস্নেল বেকৱার্দ ক্লাসেস ফাইনান্সিয়েল এন্দ দিভলপমেন্ট কো–ওর্পরেসন অমদি হিমকোন সিমলাগী মখাদা শিংজমৈ চীংঙা মথক্তা লৈবা রেলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুর অমদি নোর্দন দিসএবিলিটি ইন্সটিট্যুটনা পুন্না শীন্দুনা থা ২গী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু চথরকখিবনি। ট্রেনিং অদুগী এসেসমেন্টনা সাই গ্রাফিক্সনা কন্দক্ট তৌখি।

ঙসি চথখিবা এসেসমেন্ট অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকাই অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লোইতাং লৈকিনথবিদা পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অদুদা সাই গ্রাফিক্সকী এসেসর মিস রিমা হুসেন অমদি রেলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুরগী প্রোগ্রাম মেনেজর এম প্রেমিয়র (ইন্টরনেস্নেল এৱার্দি), প্রোগ্রাম কন্সলটেন্ট ময়েংবম বিক্রম লুৱাং (নেস্নেল এৱার্দি), প্রোগ্রাম কো ওর্দিনেটর কেঐচ প্রেমিতানচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# হেরিকোনগী খঙমিন্নসি ইরমদম ক্যুইজ

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন)না শীন্দুনা খঙমিন্নসি ইরমদম ক্যুইজগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মণিপুর পব্লিক স্কুল কাঞ্চিপুরদা হৌদোক্লগনি।

প্রিলিমিনরি রাউন্দ অসিদা তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় টিম ১০০ না শরুক য়াগনি। টিমশিংনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৯.৩০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না হেরিকোনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং মেদিয়া কোওর্দিনেটর লাইশ্রম সনাজাওবা মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

# অহলশিং থাঙ্গ–করাংদা কোয়বা চৎকদৌরি

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* ভারত সেবক সমাজগী মীৎয়েং মখাদা অহল ওইরবা মীওইশিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা থাঙ্গ–করাংদা হয়েং নোংমাইজিং নুমিত্তা কোয়বা চৎকদৌরি।

ভারত সেবক সমাজ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওর্গনাইজর পি চাউবা সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি অহলশিংগী থাঙ্গ–করাং কোয়বা খোঙচৎ অসি থবক্তগী পোত্থারবা দব্লিউ কুমার সিংহ অমসুং মিনিষ্টর ওইরম্বা ঐচ কাংজাম্বা সিংহনা লুচিংগনি। হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ দা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এ আই আর ইম্ফালগী গেট ময়াদা পূল্লগা বসতা খোঙশানগনি। থাঙ্গ–করাংগী মোটোর বোট থাংফমদা থুংলবা মতুং মোটোর বোট তোংদুনা লোক্তাক পাৎ কোয়গনি। খুমনপোকপা লাইফমসু খুরুমগনি। করাংদা পূন্না চাক চামিন্নরবা মতুংদা খোঙচৎ অসিগী মতাংদা ফাওরকপা ৱাখলশিং পাউদম্নগনি। তুংদা করাংদগী লাক্তুনা ইথাই দাম অমদি আই এন এনচিংবা চঙলগা ইম্ফালদা অমুক থুংলগনি হায়রি।

## ক্রোস ৱার্দ ১৫৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | A | L | C | S | ■ | T | R | A | P | ■ | S | W | A | M |
| E | L | I | O | T | ■ | R | E | N | O | ■ | P | A | P | A |
| C | O | M | M | A | ■ | O | V | A | L | ■ | I | G | O | R |
| H | U | B | B | L | E | T | E | L | E | S | C | O | P | E |
| ■ | ■ | ■ | S | A | N | ■ | T | O | P | T | E | N | ■ | ■ |
| H | A | M | ■ | G | U | M | ■ | G | O | A | ■ | R | E | P |
| I | C | E | S | ■ | M | O | A | ■ | S | I | L | I | C | A |
| T | R | A | I | N | E | D | G | U | I | D | E | D | O | G |
| M | E | N | T | O | R | ■ | O | R | T | ■ | D | E | L | E |
| E | S | S | ■ | I | A | N | ■ | I | I | I | ■ | R | E | D |
| ■ | ■ | T | E | S | T | E | E | ■ | O | D | D | ■ | ■ | ■ |
| S | U | R | V | E | I | L | L | A | N | C | E | C | A | M |
| I | K | E | A | ■ | O | L | E | G | ■ | A | F | O | R | E |
| L | E | A | N | ■ | N | I | C | E | ■ | R | E | M | U | S |
| T | S | K | S | ■ | S | E | T | S | ■ | D | R | A | M | A |

# তেকচমদা ফ্রি দেন্টেল কেম্প পাঙথোকখ্রে



*থৌবাল, মে ১১ঃ* নেস্নেল হেলথ মিসন মণিপুরনা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর তেকচম অমদি প্রাইমারি হেলথ সেন্টর খোংজোমগা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ফ্রি দেন্টেল কেম্প ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী মনুংচনবা তেকচমদা পাঙথোকখ্রে।

জেনিমস ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. দেবোরা গোলমৈনা লুচিংবা ডাক্তর টিম অমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা তেকচমগী অকোয়বদা লৈবা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৩০০ লোম্না য়া মেনবা অমদি শেন্বগা লোয়ননা মখোয়দা হিদাক লাংথক ফংহনখি হায়রি।

নেস্নেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. এল নন্দেলালনা ফোঙদোকখিবদি হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌনা ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ দে থৌরম পাঙথোকপগা মরী লৈননা কেম্প অসি শীনবনি। খুঙ্গংগী লমদা চত্তুনা অসিগুম্বা মখলগী কেম্প পাঙথোকপা অসি ঙসিগী অসিনা ৬ লক শুবনি। মখা তানসু হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা অসিগুম্বা মখলগী কেম্প পাঙথোকখিগনি।

তেকচম গার্ল্স অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মাষ্টর তোম্বীমচানা অসিগুম্বা মখলগী কেম্প পাঙ–থোকপা অসিগীদমক মরী লৈনবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# এম য়ু আর দি সিগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এম য়ু আর দি সি)গী ২০১৯–২০ সেসনগী থৌ পুগদবশিং ঙরাং কূপ্না খন্ন–নৈনরবা মতুংদা খনখ্রে।

এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম্না ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা কম্মিটি অসিগী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি আর্থস সাইন্সকী বরুন রাজকুমার চিয়ারমেন, বি. ভোককী হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ অমসুং এদল্ট এদুকেসনগী তোংব্রম সোমেন্দ্রো মৈতৈ অনীমক ভাইস চিয়ারমেন, মেথমেটিক্স দিপার্ট–মেন্টকী হিজম বিক্রমজিৎ কনভেনর, মিমসকী নিঙোম্বম জেমস মৈতৈ অমদি মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী নাওরেম রোবিন্সন অনীমক কো–কনভেনর অমসুং মেথমেটিক্স দিপার্টমেন্টকী মোইরাংথেম সোফিয়া চনু ত্রেজররনি।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈবাক অসিগী মরু চঙবা তুংগী মীরোল শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু কাঙলোন চূম্না মরু চঙবা মহৈরোয় পুথোক্লবা অমদি মহৈকোল অমদগী ফংফম থোকপা তঙাইফদবশিং মহৈরোয়শিংদা ফংহন্নবগী পান্দমদা এমসুগী মীৎয়েং মখাদা এম য়ু হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট কম্মিটি অসি চহী খরগী মমাঙদগী শেমখিবনি।

# ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১১ঃ* লাইফ সেভরস মণিপুর (লিসম), এসমে ফর্টিলিটি এন্দ হেলথ ক্যার সেন্টর পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং, ঐচ দি এফ সি বেঙ্ক ইম্ফাল, জেনিমস ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট পোরোম্পাৎ অমসুং ষ্টেট ব্লদ সেল নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর খূৎশম্নরগা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প ঙসি এসমে ফর্টিলিটি এন্দ হেলথ ক্যার সেন্টর পুরানা রাজবারিদা পাঙথোকখ্রে।

লিসমগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্ম্মনা ফোঙদোরকখিবদি ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনর ৪৬ না ঈ দান তৌখি। ঈ দান তৌখিবা পূম্নমকপু শীল্লি লাঙলিবগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমসুং তৌবিমল খঙবা উৎলি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (১২–০৫–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অশোক অপন থেংনবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** খৎনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংথিবা, ৱাখল চরাঙনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্নি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। মতেং পাংলুগনু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, কল্লকপা হেনগৎপা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। ৱাখল লাঙগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, শাওনবা, হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ হেন্না ফত্তে।

**কন্যাঃ** হেন্না চরাঙনবা, শোক্কনবা, শাওনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। অচৌবশিংনা চানবিবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা মতম্নি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** চরক চহিং নাইবা, অপনবা থেংনবা, শেল ফংবা অমদি চৎপা মান্নবা, ৱাখল শাবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** অরুবা পাঙথোকপা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, লম চৎপা কান্নবা ফংবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭, ১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** শাওনবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ অফবনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** শোক্কনবা, খৎনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** খৎনবা, শাওনবা মত খেন্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। মীনা য়েংশিল্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফত্তে, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, লম চৎপা মী তিন্নবদি হৈশিংবা ফগনি। ইমুংদা শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।

